**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-09-2025)**

**রিমস(এল) ঃ** টিচর এন্দ মেদিকেল ওফিসারস এসোসিয়েসননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ও.পি.দি. ইমর্জেন্সি, পি.এম.ই. অমসুং রুটিন ও.টি. সার্ভিসশিং লেপ্পগী খোঙজং চংশিনবা অদু খুদক্তগী হন্দোকখ্রে।হয়েংদগী মহৌশাগুম রিমসতা অনা লায়েংগী থবক হৌরগনি।

হৌখিবা নূমিৎ খরনি অসিদা রিমসতা লৈখিদবগী ৱাহৌদা মীয়ামনা ডাক্তর তাথি তাওইনা তৌরম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী খোঙজং অদু চংশিল্লকপনি।

লমফেলপাৎতা লৈবা রিমসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী মেদিকেল সুপররিনটেন্দেন্ট-প্রোফেসার এন. সঞ্জিবনা হায়-খোঙজং অসিগী মতাংদা ওথোরিতিনা এসোসিয়েসনগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা মেদিকেল সার্ভিস খরা লেপ্পগী খোঙজং অসি হন্দোকপদা এসোসিয়েসননা য়ারে। অদুবু, এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা থবকশিং রিমসকী ওথোরিতিনা লৌখৎনবা তকশিল্লি।

মহাকা মখা তানা হায়-লৈখিদবী চিংশুবম ওংবী মঞ্জুগী মতাংদা চপ চাবা মরম থিদোক্তুনা অরানবা য়াওরম্বা তারবদি থবক লৌখৎনবা ইনক্কারি তৌবা হৌখ্রে।

**রাজ্যপাল (এল) ঃ** রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি-রাজ্য অসিদা ইন্দষ্ট্রি অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা গভর্ণরস বেষ্ট ওন্ত্রপ্রন্যুর রোল্লিং ট্রোফি অমদি অমিয়াস আউটস্তেন্দিং এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা

হায়-ঐখোয়না মসি অমুক হন্না নীংশিংদুনা অমত্তা ওইবা ৰাখল্লোনদা কন্না হোৎনদুনা তুংলমচৎকীদমক হেন্না মপাঙ্গল লৈবা শেন্মীৎলোনগী ফিভম অমা রাজ্য অসিদা লৈহনসি। রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি অনিরোম অসিদা ওইখিবা ফিভমনা মরম ওইদুনা চাউখৎ থৌরাং য়াওনা হীরম কয়াদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরুরে। অদুবু, ঙসিদি মহৌশাগী ফিভমদা তপা তপা হনজিল্লক্লি।

শ্রী ভালানা হায়-ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপনা মীওই কয়াদা শেন্মীৎলোয়নগী ফিভম ফগৎহন্নবা য়াওনা মাংলোমদা চংশিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিদা অনৌবা ৰাখল্লোন পুথোকপা, মশানা য়ানিংনা দায়ত্ব লৌবা খুদিংমক মায়োকবা, ওন টরপ্রাইজেস অমা ওইনবগীদমক ৰাখল্লোন কয়া পুথোকবগী তঞ্জা পীরি। রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারগী মায়কৈদগী নহাশিংদা ওন্টরপ্রেন্যুয়র অমা ওইনবগী খুদোংচাবা কয়া পীদুনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। রাজ্য অসিনা ইন্দষ্ট্রি অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রগী লমদা মাংলোমদা চংশিল্লকপা অসিনা লৈবাক অসিগী ভিক্সিত ভারত ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

থৌরম অদুদা গভরনস ভেষ্ট ইন্টরপ্রেন্যুয়রগী মনা অসি বাবিনা হেলথ কিয়ার এন্দ হোস্পিতালিতি ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইবেট লিমিটেদকী ডা: থাংজম দবলি সিংহনা খুৎশিন্নখি। পদ্মশ্রী এৱার্দি মোইরাংথেম মুক্তা মণিনদা প্রোমেসিং এৱার্ড অদুগা ইন্টরপ্রেনুয়র এক্সপোর্ট, স্তার্টঅপ কেটেগোরিশিংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অমিয়াস আউটষ্টেন্দিং এৱার্ডশিং পুন্না মীওই মঙাদা খুৎশিন্নখি।

**ম্যুজিয়ম (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম অসিবু চহি কয়াদগী ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অসি য়ামমক থাগৎনিংঙাই ওই। বিভাগ অসিনা চহি চা কয়াদগী রাজ্য অসিগী চৎনরম্বা নাৎ অমসুং চৎনবীগী পোৎলম কয়া ঙাক শেন্দুনা থম্লক্লি। ম্যুজিয়ম অসিনা তুংগী মীরোলশিংদা ইপা ইপুগী চৎন-লোনচৎশিংবু ময়েক শেংনা উৎথোক্তুনা

খঙহন্‌বা ঙম্লি।

মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মনা লিংখৎখিবগী ৫৬ শুবা থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং ফার্ষ্ট লেদি শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা হিয়াং হিরেল, সনা অমদি ম্যুজিয়ম অসিদা লৈরিবা তাংনা উবা ফংবা পোৎলমশিংদা য়ুমফম ওইরগা পাঙথোকপনি। এগজিবিসন অসি মীয়ামগী য়েংদুনা হয়েং নুংথিল ফাওবা চগ্খগনি । থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ম্যুজিয়মগী অকোইবদা উ চারা কয়াসু থাখি।

**এমওয়ু (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগা ঙসি কেপাসিতি বিল্ডিং কম্মিসন (সি.বি.সি) অমসুং মীসন করমা যোগীগা শিংথানিংঙাই ওইবা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপালনা য়ান্ন ৱারোল অসি সহি তৌনখিবনি। য়ান্ন ৱারোল অসিনা পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং গভরনান্সতা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়লনা হায়-রাজ্য সরকারনা সিভিল সার্ভিস অসি য়ামা তোপ তোপ্পা মগুন লৈবা থবক অমা ওইহন্নবা থৌরাং পায়খৎপনি। মসিনা সিভিল সার্ভেনশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

**সেভা(এল)ঃ** নেসন ফর্ষ্ট এদরেট 75 কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা সাকসম অঙ্গনৱারি এন্দ পোসন টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ভিক্সিত মনিপুরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী সেক্রেটরি-রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুমনা হায়-অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংনা মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু। অঙাংশিংবু মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজদুনা তিংজং

কায়জংদবা লমদম অমা শেমগৎলসি।

থৌরম অদুদা লাইফদবী, ফিরোল, অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং অমদি মীরোনবী অমদি পীক্লিবা অঙাংশিংদা পীজগদবা মচি ওইবা চিঞ্জাক উৎপা মেলা অমসু পাঙথোকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া পোসান মাহগী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলাগী কৈরক্কী সেক্তর ফোরগী মোদেল অঙ্গনৱাদি সেন্টরদা ঙসি অঙাংশিং অমদি চাজেনবী মমাশিংগী মচি ওইবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়াওনা মীরোনবী অমদি পীক্লিবা অঙাংশিংদা পীজগদবা মচি ওইবা চিঞ্জাক উৎপা থৌরম অমা য়াওনা এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা সেবা পর্বগী শরুক অমা ওইনা চান্দেল জিলাদসু ঙসি জল জিবন মীসনগী ঈশিং লৌফমগী অকোইবদা উ চারা কয়া থাখ্রে।

জিলা অসিগী জাফৌ খুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেল অমদি ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিং অমসুং খুলগী লুচিংবা য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**নারি (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙহাম্পাৎ প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা স্বাস্ত নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী মখাদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসিদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া স্ক্রিনিং তৌখি। কেম্প অসিগী মনুং চন্না পি.এম.জে.এ.ৱাই, সি.এম.ঐচ.টি. কার্ড শেম্বগী থবকসু চথখি। অমরোমদা, এ.এ.এম.সব সেন্টর ক্বাকৈথেল-হৈনৌখোংনেম্বী,

নাউরিয়াপাখংলাকপা, তৌবুংখোক, কোমলোংখোং, লংথাবাল ফুরামখোং অমসুং য়ু.এ.এ.এন. সেন্টর উরিপোক্তসু লেমা লায়েংবগী কেম্প চথখি।

**যোগী (এল)ঃ** নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসতা ঙসি জিলা থাক্কী ওইবা অদিকরমা যোগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা সরকারগী ওফিসারশিং, ষ্টেকহোল্ডর অমদি মীয়াম শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অখঙ অহৈ কয়ানা মীয়ামদা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি।

অমরোমদা, কামজোং জিলাগী থোহি খুলদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা অদিকরমা যোগী অভিয়ান থৌরম পাঙথোকখ্রে। ত্রাইবেলশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংগী লম্বী য়াৎপা থৌরম অসিদা খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

**এমপি (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-ঙরাংদগী চৎনবা হৌখিবা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা নীংথিনা কান্নবা পীদুনা ভারতনা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা মখা তানা হায়-জি.এস.টিগী অনৌবা রিফোর্ম অসিনা হান্না চৎনরম্বা ফোর টয়ার ষ্ট্রকচর অদুগী মহুৎতা টু টয়ার ষ্ট্রকচর ওইনা চৎনবা হৌরে। মসিনা মীয়ামা শিজিন্নরিবা নোংমদা তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অমদি হিদাক লাংথকশিং য়াওনা পুন্না আইটেম ৩৭৫ রোমদা মমল হন্থহল্লে। মসিদা নত্তনা এম.এস.এম.ই. সেক্তরদা থবক তৌরিবশিং-মিদল ক্লাস য়াওনা মীয়ামদা কান্নবা পীরগনি।

**মেলা (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী কাউন্সিলস কনফরেন্স হোলদা লোক কল্যান

মেলা অমা ঙসি পাঙথোকখে। জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিনবা মেলা অসি প্রধান মন্ত্রি সমানিধি স্কিমগী মখাদনি। স্কিম অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দর অমসুং শেল থুমগী অৱাবা মায়োকরিবা মীওইশিংদা শেলগী তেংবাং পীদুনা হিংনবগী লম্বী য়াৎহল্লি। মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিং শরুক য়ারি।

**সেলর (এল)ঃ** মনিপুর গ্লোবেল বাইয়স সেল্লর সমিট ২০২৫ গী ৱেবসাট ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে। ৱেবসাইট অসি ত্রেদ, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তর-শ্রীমতি ৱাই. রোবিতানা লোঞ্চ তৌখিবনি।

মনিপুর গ্লোবেল বাইয়র সেল্লর সমিট ২০২৫ অসি মথং থাগী ১০ অমসুং ১১ দা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি। সমিট অসিনা মালেমগী মফমশিংদগী পোৎ-চৈ লৈবা অমসুং য়োনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগা হেন্না নকবা মরী থল্লগনি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ২৫ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম য়ুনিয়ন অসিনা শিনদুনা জিরিবাম জিলাগী পি.ডব্লিয়ু.দি. গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী এস.পি-সেমি রামোর অমদি য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট-ঙাথেম বিশ্বজিৎ য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদদু য়ুনিয়ন অসিগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি অমদি থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা খুদোলপোৎনচিংবসু খুৎশিন্নখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** সাহিত্য থৌপাং লুপনা ইন্টরনেসনেল ত্রান্সলেসন ডেগা মরী লৈননা চহি অনি অনি লৈরগা পীবা নোংথোম্বম কুঞ্জামোহোন ত্রান্সলেসন এৱার্ড ২০২৫, চহি অসিগী ওইনা শকাইরবা ত্রান্সলেটর সলাম তোম্বদা পীরগনি। এৱার্ড অসি থা অসিগী ৩০ দা ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা

দি.আই.পি.আরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নগনি।

**এমএসএফ (এল)ঃ** মহৈরোই লুপ মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) কী ঐখোয়না লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা ৱাখল্লোনদা চত্থবা তোঙান তোঙানবা মহৈ মশিং তম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মসিগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল রিছার্স সেন্টর (এন.আর.সি) না এম.এস.এফকা খুৎশমনা শিনদুনা পাঙথোকপা লেমা কম্প্যুটর তাকপী তম্বীবগী কোর্স ঙরাংদগী হৌখ্রে।

কোর্স অসি এন.আর.সিগী প্রসিদেন্ট-থোঙাম অজিৎ অমদি এম.এস.এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট-জেমস য়ুমাম অমসুং কম্প্যুটর ইন্সত্রক্তর-সাসিকান্ত থোকচোমনা হৌদোকখিবনি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** সেভা সপতহাগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা তাঙ্কক নাইনা অখন্ননা শন্দোক্কদবা থৌরমগী মরিশুবা শরুক হয়েং অয়ুক পুং ৭ মিনিট ৪০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

মিনিট ২০ শন্দোক্কদবা ‘ইন্দিয়াস ইমারজেন্স এস এ গ্লোবেল পৱার’ হায়বসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার-এম.সি. অরুন অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎ ওক্রম উমাদিনিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা তাহঞ্জগনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা সেবা অমসুং সুরসানগী মন্ত্রানা লৈবাক অসিবু মাংলোমদা চংশিন্নবা লম্বী য়াৎলি।

সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগীদমক চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনা অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা হেন্না শক্তি পীদুনা অওনবা লমদম অমা পুরকপা ঙম্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক

অসিগী নহা কয়াবু হেন্না শক্তি পীদুনা অওনবা লমদম ওইহন্নবা থৌশিল অদু ঙসিদি ঐখোয়না উবা ফংলে। ২০১৫ কী জলাই ১৫ দা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনা অসিনা নহা কোতি অমা লাখ ৬৩ রোম ত্রেন তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা চাদা ৪৫ দি নুপী ওইরি। স্কিম অসিগী মখাদা ত্রেন তৌরবা নহাশিংবু মখোয় মখোয়গী অপাম্বা লমশিংদা চৎননবা থৌনা অমসুং মতেং কয়া সরকার অসিনা পীরি।

**ফুটবোলঃ** ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এ.আই.এফ.এ-ইরেংবননা আই.ৱাই.এ. ককচিংবু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখ্রে।

**অন্ফা ঃ** অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫, ওক্তোবর মঙাদগী হৌরগনি। ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়-লিগ অসিগীদমক মেনেজরশিংগী মীফম থা অসিগী ২৭ কী নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।